# সাহিত্যগী কাখল

## শৈরেং

### লিক্লি

**ইরেংবম কামেশ্বর সিংহ**
**তেরা সাপম লৈরক।**

মঙালগদি চান্নবী মরুপ্লোই
উফুল নুংশিৎকদি য়েক্লবী
হে লিক্লিগী বোট্টল,
তাইবঙ কনানা পুথোরক্লিবা
মীওইবা জাতিগী কান্নবা
নঙোন্দা য়াওবা পোৎশক্লা
তাইবঙ কয়া কয়ানা
নুংঙাইবা ঈপাক্তা তাওরিবা
তরং- মরং চৎতুনা।
অশোন-অনা কয়ানা
নঙোন্দা য়াওবা পোৎশক্লা
অৱা মৈশা কোক্লিবা,
নহাকসে মীওইবা জাতিনা
কৈদৌঙৈদা থান্নবা য়ারোই।
অদুবু,
নঙোন্দা য়াওবা পোৎশক্লা
মীওইবা কয়া কয়াগী
পুন্সি কয়াবু পীখম্নখিবা
তেংথারি কনানা ঙসিসু
নংদি হু পুবীনি,
হে লিক্লিগী বোট্টল।

### মেগী তাং ৩ না লাকপদা

**মুহম্মদ অখতর শাহ**
**লিলোং তুরেল অহনবী, খোংনাং মখোং**

হৌখ্রবা ঙরাং,
লাক্কদবা ঙসি,
থুংলগদবা হয়েং,
অসুম্না অসুম হৌখিবনা
ঙসিদি অমুক থুংলরে।
ইং ১৯৭৩ গী মেগী তাং ৩,
নিংশিংলি ঙসিসু,
মীওইবগী মীনুংশি য়াওদ্রবা,
ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখল খনবা
খুনেক্কী মীওইশিংনা,
খুরক্কী ঈনা লায়না শাদুনা,
থোকখিবা থৌদোক অমদা,
মরাল লৈজদ্রবা মীচম কয়াগী পুন্সিবু,
খাঙুথক্তা পুন্সি পীখম্নখিবা,
মৈতৈ অমদি মুসলিম ইচিল-ইনাওশিংবু,
মখোয়গী আত্মানা নুংঙাইনা,
শান্তি ওইনা লৈরুনবা,
ঈশ্বর (তাইবং শেম্বা মপু)
মাগী মফমদা তোল্লবা,
ননাই ঐহাক্না খুরুমজরি।

### মীনম্বীয়ু

**সুর্য্যমনি য়ুম্নাম**
**তেরা অমুদোন**

নুংশিবা শাদুনা
নুংশি হায়বীয়ু
পামজবা মান্নবা
কলক্লা য়েংবীয়ু
অশেংবনি নিংদুনা
অচুম্বনি খল্লগা
কখোক্লমগে পুন্সিসে
মীনম্লবা তাইবংদা।
মীনম্বীয়ু পুন্সিসে
লানজসনু ৱাখলসে
ওইদবা ৱাহৈদুদা
অওইবনি নিংলগা
থোক্লমগে পুন্সিসে
থৱায় তানা।
খঙহনবীয়ু হিংলিমখৈ
নিংজরুবৈ মহৈ য়াল্লে
পামজরুবা খুদিং থুংলে
নুংশিবীরি নংনা ঐবু।

### ফাদোক

**অয়েকপম চনু ঙাহোই**

লম্বী চৎলে থিংবিবা
তুম্লে হিপ্লে য়াদবা
ইমা কৌবসু পুনবীবা
ইপা কৌবসু হাৎপীবা
কপচগে হায়বসু থিংলিবা
নোকচরগে হায়রবসু য়াদবা
কন্না ঙাংলে খুদোম্বী
তপ্পা ঙাংলে শারংনুং
করি পুন্সি কৌবনো?
মপুগী হুইনাও,
ঐদি হুইনাওনি মপুগী
মপুনা পীজবতা চাবা,
খোংবমখৈ খোংলম্নগা কান্নদবদা
লাম্বনা শিগদৌরবা মতমদা
ইরৈসে শাংনা তিংথোক্লগা
খুমাঙদা খদাং থমদুনা
পি তানা কপ্তুনা
অৱাবা কয়া খাঙদুনা
মপুনা কৌরকপা ঙাইরিবা।

### ননাক্তগী হেন্দোকচনিংদে মীৎকুপ অমত্তসু

**টিঐচ জয় সিংহ**

ঙসি বন্ত নুমিদাংৱাইরমসিদা
অচিকপা নঙবু থিজরকপদা
থেংনররে মফমসিদা খঙহৌদনা
প্রকৃতিগী ফজরবা লৈরাংশিংনা
কল্লক য়েংথিবা য়াওদনা
শাৎলম্লে খুৎশেমগী লৈকোলসিদা
য়েংবগী পেনবা নাইদেদা
ঐগী ৱাখল অসিনা
অচিকপা মফমসিবু থাদোক্তুনা
ননাক্তগী হেন্দোকচনিংদে মীৎকুপ অমত্তসু।
পুন্সিগী শাংলবা মতম কয়া
হুরান চিন্থিতনা থল্লবা
কল্লক য়েংথিবনা পুল্লবা
সহরগী নিলখোংলবা মফমদুনা
অচিকপা নঙবু থিবা ফংদনা
হৌখ্রে পুন্সি মীৎকুপ কয়া
নীংঙমলক্তে থম্মোয়, হৌজিক্তদা
পুন্সি পন্থুংনা লোইরমদাইসিদা
ঙসিদি অচিকপা মফমসিবু থাদোক্তুনা
ননাক্তগী হেন্দোকচনিংদে মীৎকুপ অমত্তসু।

তাইবঙদা পোক্লবা মীওইবা
করিগী অসুক য়েংথিনবা
থৌজাল হৈবা থম্মোয়দো
করিগী মীনুংশি য়াওদ্রিবা
খন্থবা ৱাৎলবা ৱাখলনা
লমন শিংগে খন্নরবা
মালেমসে প্রলয় ওইদুনা
শোয়রোই নোংমা খঙহৌদনা
মাঙখিগনি তাঙ্গোই ওন্দুনা
মৈরানবীনা মৈরিদা
কল্লক পেন্না ঙাওজবা
কন্থি থোক্লা পাইশিন্দুনা
মোংফম ওইদুনা তোকখিবা
নীংশিংসি ঐখোয় মতম পুন্বদা,
কাউথোক্লসি পুন্সিদা কল্লক য়েংথিনবা।
ঙসিদি অচিকপা মফমসিবু থাদোক্তুনা
ননাক্তগী হেন্দোকচনিংদে মীৎকুপ অমত্তসু।

পোন্বী চেক্লা কয়ানা
পামেল ফৈরাদা তোংদুনা
লৈরাং নখোয়বু য়েংলগা
অচান মীরাই নাইদনা
নুংশিবা ঈশৈ শক্লিবা
তাবগী পেনবা নাইদেদা।
লিরি হুম্বা মালংবনা
লৈরাংগী থৌগল তৌরিবা
লৈরাং লৈনম নুংশিবা
মায়কৈ শিন্না য়েল্লিবা
কাউররোই হিংলিঙৈ পুন্সিনা।
তারমদাই নুমিৎ নীংথিবা
সনা মচু মাল্লিবা
পোন্বী চেক্লা কয়ানা
মহুম মায়কৈ পাংখ্রিবা
পুক্লিং হুনা ফজৈদা।
ঐগী ৱাখল অসিনা
অচিকপা মফমসিবু থাদোক্তুনা
ননাক্তগী হেন্দোকচনিংদে মীৎকুপ অমত্তসু।

## চয়োলগী রাশি ফল

**জ্যোটিষঃ পুয়াম ইবোপিশক সিংহ**
মোবাইল নম্বর ৮০১৪৬৯৮০৪৯
মে তাং ৬ দগী মে তাং ১২ ফাওবগী

**মেষঃ** তাং ৬ দগী তাং ৮ ফাওবগী মনুংদা থাজদবা মফমদা শেল চৎলি। অরাপ্পদা লৈখিবা মরী-মতা উন্নে। ইমুং-মনুং শেমজিন শাজিল্লি। অনৌবা পাউ তাই। লৌউ-শিংঙবা কান্নবা ৱাৎলি। শা-ষনগী মরী ফবা ৱাৎলি। মরুপ ফবা ৱাৎলি। মীনা কল্লকই। তাং ৯দগী তাং ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈফম হোংই। নিংবা থুংবা ৱাৎলি। মহৈ তপ্পী। শুব-নোম্বা, করবার তৌবা ময়াই ওইনা কান্নে। তুশিন-থেংজিনবদগী ফমুংদা লৈবা মতম ওই। লমদা চৎপা কায়দে। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি নুংতিগী ৱারী শাবা ফংই।

**বৃষ ঃ** তাং ৬ দগী তাং ৮ ফাওবগী মনুংদা থবক থৌরমদা চরক-চহিং তৌবা, নিংবা থুংবা ৱাৎপা মতম ওই। শা-ষনগী মরী ফবা ৱাৎলি। লৌউ-শিংউবগী থবক চাওখৎলি। মীনা কল্লকই। ৱানোম্বা চক্রি থাংই। ইমুং-মনুং শেম-শাগৎলি। তাং ৯ দগী তাং ১২ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা পাউ তাগনি। মীনা চানগনি। হায়জবা, ৱানোম্বা মায় পাক্কনি। পন্দুনা লৈরম্বা থবক য়াগনি। শেল ফংগনি। মহৈ ফজনা তৌনিংগনি। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি থুংনগনি।

**মিথুন ঃ** তাং ৬ দগী তাং ৮ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা ৱাখল অমা ফাওরক্কনি। তুংগী ৱাখল অমা খল্লক্কনি। ইমুং-মনুং শেমগৎ-শাগৎকনি। মীঙোন্দা লৈখিবা শেল ফংগনি। মীনা চানবীগনি। লৌউ-শিংউবগী থবক, করবার তৌবা চাওখৎপা কান্নবা ওইগনি। লমদা চৎকনি। য়েক্লবসু চাওগনি। তাং ৯ দগী তাং ১২ ফাওবগী মনুংদা মহৈ তৌবদা নিংবা থুংগনি। ৱানোম্বা মায় পাক্কনি। শেল পুবা ফংগনি। ঠিকা তৌবা কান্নগনি। ওজাগী, ডাক্তরগী শিনফমদা থবক তৌবা চাওখৎলি। লমদা চৎপা, অনৌবা পোৎ লৈবা কাইদে। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি থুংনগনি।

**কর্কট ঃ** তাং ৬ দগী তাং ৯ ফাওবগী মনুংদা লৈফম হোংবা, থবক মফম হোংবা, অনৌবা পাউ তাবা, ৱাখল নুংঙাইবা মতম ওই। অনাবগী মরী লৈনবা থবক, ওফিসকী থবক কান্না চাওখৎপা ফংই। ৱানোম্বা চক্রি থাংই মীনা কল্লকই। য়েক্লবা য়াম্মী। তাং ১০ দগী তাং ১২ ফাওবগী মনুংদা লমদা চৎপা কায়দে। শেল মখোং পানগনি। শা-ষনগী মরী ফবা ৱাৎলি। লৌউ-শিংউবগী থবক কান্নবা ৱাৎলি। মহৈদি ফজনা চৎলি। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি নুংতিগী ৱারী শাবা ফংই।

**সিংহ ঃ** তাং ৬ দগী তাং ৯ ফাওবগী মনুংদা মিংচৎ ফংবা, নুংঙাইবা পাউ তাবা, মীনা চানবিবা, শুবা-নোম্বা কান্নবা মতম ওই। শা-ঙাগী মরী ফবা ৱাৎলি। লৌউ-শিংউবগী থবক চাওখৎলি। ৱানোম্বা মায় পাকই। ফম কাই। তাং ১০ দগী তাং ১২ ফাওবদি শেল চৎলি। অনৌবা পোৎ-চৈ লেপ্পী। ইমুং শান্তি ওই। মহৈ ফজনা তৌই। ওফিসকী থবক, ওজাগী থবক চাওখৎলি। লমদা চৎপা কায়দে। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি থুংনৈ।

**কন্যাঃ** তাং ৬ দগী তাং ৮ ফাওবগী মনুংদা শেল মচিৎ-মচিৎ ফংবা, পোৎ-চৈ লেপশিনবা, ৱাখল চরক-চহিং তৌবা মতম ওই। অনৌবা মরুপ উন্নগনি। ইমুং-মনুংগী মীওইদা নিংবা থুংবা ৱাৎলি। লমদা চৎপা কায়দে। লৈফম হোংই। তাং ৯ দগী তাং ১২ ফাওবগী মনুংদা য়োৎ, নুং, লৈঙোই, ঙাগী করবার চাওখৎলি। ৱানোম্বা মায় পাকই। ফম কাই। লৌউ-শিংউবগী থবক, শা-ষনগী মরী চাওখৎলি। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি থুংনৈ।

**তুলা ঃ** তাং ৬ দগী তাং ৯ ফাওবগী মনুংদা থবক থৌরম খুদিংদা চয়েৎনবা, নিংবা থুংবা ৱাৎপা মতম ওই। মীনা কল্লকই। ৱাখল ৱাংই। মথৌ চিনগনি। শেল মখোং পানবা মতম ওই। মচা মফমদা নিংবা থুংবা ৱাৎলি। ৱানোম্বা চক্রি থাংই। শা-ষনগী মরী ফবা ৱাৎলি। য়েক্লবা চাওই। তাং ১০ দগী তাং ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈফম হোংই। নিংবা থুংবা ৱাৎলি। লৌউ-শিংউবগী থবক চাওখৎলি। মরু-মরাং, নুং-লৈঙোইগী থবক চাওখৎলি। শা-ঙাগী থবক কান্নবা ৱাৎলি। মহৈ তৌবদা নিংবা থুংদে। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি মুক্লে।

**বৃশ্চিক ঃ** তাং ৬ দগী তাং ৮ ফাওবগী মনুংদা মথৌ চিনবা, অশিন-অরাং শাবা, কান্নবা ৱাৎপা মতম ওই। ৱানোম্বা চক্রি থাংই। মহৈ তপ্পা নিংবা থুংবা ৱাৎলি। গৎ লৈনা থবক তৌই। তাং ৯ দগী তাং ১২ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা মরুপ, মরী -মতা উন্নবা, শেল মখোং পানবা মতম ওই। ডাক্তরগী থবক, ওফিসকী থবক চাওখৎলি। থবক তৌরগা লোয়শিনবা নাইদবা মতম ওই। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি মরৈ-চক্রি তৌনদুনা লৈ।

**ধনু ঃ** তাং ৬ দগী তাং ৮ ফাওবগী মনুংদা মথৌ য়াম্না চিনবা, মহৈ কন্না তৌনিংবা মতম ওই। চাবা, থকপা চাং নাইবা ঙমদে। হকচাং শোল্লি। মরুপ্না চানবীবা ৱাৎলি। অচৌবনা চাল্লি। য়েক্লবা য়াম্মী। ৱানোম্বা মায় পাকই। অনৌবা পোৎ-চৈ লেপ্পী। থবক তৌবদা লাইবক চুম্মী। তাং ৯ দগী তাং ১২ ফাওবগী মনুংদা নুংঙাইবা পাউ তাগনি। শুব-নোম্বা কান্নগনি। মহৈ ফজনা তৌনিংগনি। অচৌ-অশাংনা চানবীগনি। মরী-মতা যুমদা থুংগনি। ফম কাগনি। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি নুংতিগী ৱারী শাবা ফংগনি।

**মকর ঃ** তাং ৬ দগী তাং ৯ ফাওবগী মনুংদা শেল, লন, পোৎ-চৈ ফংবা পীরি। শুবা-নোম্বা, লৌউ-শিংউবগী থবক চাওখৎলি। করবার চাওখৎলি। শা-ষনগী মরী ফৈ। মীনা কল্লকই। ৱানোম্বা চক্রি থাংই। তাং ১০ দগী তাং ১২ ফাওবগী মনুংদা ফম হোংই। মিংচৎ ফংই। মহৈ ফজনা চৎলি। মরুপ য়াম্মী। ঠিকা তৌবা কান্নে। শিল লাংবা তৌবা মতম ওই। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি লুহোংই।

**কুম্ভ ঃ** তাং ৬ দগী তাং ৯ ফাওবগী মনুংদা লমদা চৎলি। মরুপ-মপাং উন্নদুনা নুংঙাইনা লৈ। অনৌ-অনৌবা ৱারী-ৱাতাই তৌই। শেল চৎলি। পোৎ-চৈ লেপ্পী। ইমুং-মনুং শেমগৎ শাগৎলি। তাং ১০ দগী তাং ১২ ফাওবদি শা-ষনগী মরী ফৈ। ঙাগী, নুং-লৈঙোই, উ-ৱাগী করবার চালখৎলি। লৈফম হোংই। ৱাখল নুংঙাই। ৱানোম্বা মায় পাকই। মহৈ ফজনা চৎলি। মরুপ য়াম্মী। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি হায়ন-শিংনৈ।

**মীন ঃ** তাং ৬ দগী তাং ৯ ফাওবগী মনুংনা অনৌবা পাউ তাগনি। শুবা নোম্বা, করবার তৌবা কান্নগনি। অনৌবা পোৎ-চৈ লেপকনি। ইমুং শান্তি ওইগনি। ৱাখল নুংঙাইগনি। ফম কাবা মিংচৎ ফংবা পীরি। তাং ১০ দগী তাং ১২ ফাওবগী মনুংদা মহৈ ফজনা চৎলি। ৱানোম্বা চক্রি থাংই। শেল মখোং পাল্লি। শেমগৎ-শাগৎপা কল্লি। মরী-মতা চাওই। অরু-অনালগী পোৎ চৈগী করবার চাওখৎলি। পাখং-লৈশাবীগী ওইনদি অমগা অমগা মুক্লে।

## ৱারী মচা

### মতম পুম্বদা ইনৌদা নৌদুনতা লৈরিবা মালেমগী ৱারী মচাশিং-

*(মীতৈরোলদা ইথোক্লিবা গুলামজাৎ তোংব্রম)*

# কেথরিন, নুংশিবগী মবেম্মা

হান্নগী মখা:

রসিয়াগী নিংথৌকোন্দা বৃটিশকী এম্বাসেদর ওইনা লৈবা সার ৱিলিয়ম চার্লেসনা কেথেরিননা অরোনবা নুপা অমা পাম্মী হায়বসি খঙলম্মী। অদুগুম্বা অহাংবদু মেনশিন্নবা মহাক মশামক্না খোঙ থাংজিন্নবা হোৎনবদি ঙমজরমদে। অদুম ওইনমক মহাক্না পোলেন্দগী নিংথৌকোলগী মচা-মশু ওইবা কাউন্ট ষ্টানিসলাস পোনিয়াটোসকিবু কেথরিনগী মফমদা পুশিল্লম্মী। পোনিয়াটোসকি মশক মতৌ চঙখোনবা, ৱাং চউবা অমদি য়েংবদা নুংশি লৈখোন চেনবা চহি ২২ দা ঙাইহৈরিবা নুপানি। মহাক য়াম্না শিংই, চৎনরোল খঙই লোইননা হীরম খুদিংমক্তা য়াম্না হকচিনবা মীতা অমসু ওইরম্মী। অদুগা মতমসিমক্তি কেথরিনদি চহি ২৫ শুরে, নহা ওইবগী য়ক লাউবা মতম হায়বদু থোকই। অহানবা হেক উন্নবদা মখোয় অনি অমগা অমগা শুমহৎনখিবগুম তৌরে। পোনিয়াটোসকিদি কেথরিনবু নুংশিজবদা অঙাওবগুম তৌখরে। অদুবু কেথরিনদি মবুক তপ্পা ফাথনবা হোৎনরম্মী, লোইননা মখোয়নিগী মরিদু চাং অমদা ইতিং তিংনা থম্নবা হোৎনরম্মী।

কেথরিনগী মপুরোইবা পিটরনদি ফিভমদু য়াম্না নুঙাইতনা য়েংদুনা লৈরম্মী। মহাক তশেংনমক পোনিয়াটোসকিবু কল্লক্লম্মী, অদুনা মহারানী অহল ইলিজাবেথতা ইনশিন্দুনা মহাকপু রসিয়াদগী তাহোকহল্লম্মী। অমরোমদা কেথরিন্দি চহি ৫ গী মতম ওইবা মখোয়নিগী নুংশি-নুংওনগী মওংদু মঙোন্দা য়ারে খন্দুনা পিটরনা পোনিয়াটোসকিবু তাহোক্লবা হোৎনবদুদা থোয়না অশাওবা উৎখিদ্রে। ইকান কান্নদনা মহাক্না অতোপ্পা নুপা অমগা অমুক নুংশিনরে, মদুদি নোংমা কেথরিন মাগী ওইরিবা ফিভম অদুদা খাঙবা ঙম্নমদে। মাগী থম্মোয়দু তয়াং তশোইরম্মী, লোইননা মাগী মমিৎতগী পীগী ঈরা চেন্থরক্লম্মী। মহাক্না মাগী কাগী থোংনাও ময়াদা লেপ্পম্মী, অদুগা কোনুংগী লৈকোলদুদা য়েংলম্মী। খুদক্তা মহাক্না নহা ওইরিবা অমদি মশক মতৌ ফজরবা মিলিটরি ওফিসার অমা উরম্মী। ওফিসারদু মী থাদুনা কৌহল্লম্মী।

মিলিটরি ওফিসারদু মমিংনা গ্রিগোরি ওরলোফ কৌরম্মী। রসিয়ান সিফাইশিংগী মরক্তা লেফটিনেন্ট ওইবা মীওই অমনি। মহাক মশামক মরমদম রসিয়াগীদমক্তা লান শোক্লবদা মথং মথং লানফমদা অহুমলক শুরে মশাদা শোক পনবা তৌখিবনি। অসুম্না মহাক্কী লানদা থৌনা ফবগী খুদমসি পুম্নমক্না খঙনরবা অমসু ওইরম্মী। অদুগা মহাক মশামক হেলেন কুরাকিন কৌবী রসিয়াগী সেনিয়ার মিলিটরি ওফিসার অমগী নুপী অমবু য়াম্না খোইদাজরম্মী, অদুবু কেথরিন উরুবদগী খুদক্তা কেথরিনবু পামজখি, মাগীদমক্তা অঙাওবগা পাংখক ওইখি। ওরলোফ মচিন মনাও মঙানি, অদুগা মখোয় খুদিংমক রসিয়াগী লান্মীদা অচৌবা ফম লোইনা পায়রম্মী। অদুবু গ্রিগোরি ওরলোফকী ওইরিবা মখোয়গী শাগৈ জাত্তুনা রসিয়াগী তুংগী অথোয়বী লৈঙাকপী মহারানী ওইরক্কদৌরিবী কেথরিনগী মরুপ অমা ওইবা অমদি মহাক্কী নকশিন্নবা মীশক অমা ওইবা হায়বদু ওইথোক্লমদে। অদুবু মদুদা মহাক থোয়না ৱারুনিঙাই ওইরমদে, মরমদি কেথরিন মশামক্না মঙোন্দা নুংশিবা উৎলম্মী। ইং ১৭৫৯ দা কেথরিন্না মহাকপু মাগী নুংশিবা মীশক অমা ওইনা লোন্না থম্লম্মী। মখোয় অনিসিগী অরোনবা মরিসিমক্না কেথরিনগী মফমদা অচৌবা তোংজবা অমসু ওইরম্মী।

মহারানী ইলিজাবেথকী শিবগী মতম নকশিল্লক্লে হায়বগী অচৌবা তোকঙা অমা রসিয়াগী নিংথৌকোন্দুদা শন্দোক্লম্মী। ইলিজাবেথ চহিদা য়াম্না য়াম্নবী মীশক অমদি নৎলমদে। মহাক চহি ৫০ মুক্তা শুরিবী নুপীনি। অদুবু কা হেনবা মওংদা য়ুথকপা অমদি নুপা লোইনবা, অদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী মশাদু শোকচিনখিবনি। মশা শোকচিল্লক্তুনা মখোঙ পোমখৎলক্লফাওবদা মশাগী ওইবী হৈনবীদু হোংদোকউ হায়বা য়ারমদে। তশেংবমকসু মাবু য়েংলিবা ডাক্তরশিংনা মাগী শিবগী মতম নকশিল্লক্লে হায়খি।

> *হে নুংশিবা, মীপুম খুদিংগী থম্মোয়দা থুপ্তুনা লৈরিবা!*
> *নঙ য়াকাইরো, ঈং তপহনবীরো নঙনা মালেমসে!*

অদুনা নিংথৌকোন্দুদা ইলিজাবেথ লৈখিদ্রবা মতুংদা কনানা পাক চাওরবা রসিয়াদু মাগী মহুৎ শিন্দুনা লৈবাক ঙাক্কদগে হায়বদু অচৌবা ৱাফম অমা ওইরক্লম্মী। ৱাফম অসিমক নিংথৌকোন্দা কা হেন্না খন্না নৈনরকখি। ইলিজাবেথকী ফম্নাইবা অয়াম্বা, মিনিষ্টরশিং, লান্মীগী অচৌবা ওফিসারশিং অমদি নিংথৌকোনগী অয়াম্বা মীওইশিং পিটরনা নিংথৌ খুভম ফংবদু পাম্নরমদে। তশেংনা হায়রবদা রসিয়াগী কোনুং সেন্ট পিটরসবর্গতা কনানা ইলিজাবেথকী মহুৎ শিলহৌগদগে হায়বসিদা কাংলুপ অনি থোকনা খন্না নৈনরকখি। কাংলুপ অমগী মতুংইন্না পিটরনা রসিয়াগী ওইফম থোকপা নিংথৌনি হায়না মোত পীরম্মী। অদুগা কাংলুপ অমনা কেথরিন্না লৈবাক ঙাক্লগা ফগনি হায়না খন্নরম্মী।

মতমসিমক্তদা কেথরিন অমদি ওরলোফকী নুংশি মরি অদুসু খ্বাইদগী ৱাংবা থাক য়ৌরক্লম্মী। মাংদা পনখিবগুম, ওরলোফকী মচিন মনাওশিং রসিয়াগী লান্মীশিংগী মরক্তা অচৌবা ফম লোইনা পায়রম্মী। মরুওইনা অহুমশুবা মচিন মনাও এলেক্সী ওরলোফ থৌনা ফবা সিফাই অমা ওইবতা নত্তনা য়াম্না হৈশিংবা মীশক অমসু ওইরম্মী। মহাকনা মতমদুগী ওইরিবা ফিভম, মওংশিংদু কুপ্না উবা ঙম্লম্মী। অদুগা মহাক্কী মচিন মনাও গ্রিগোরি ওরলোফকা কেথরিনগা নুংশিনৈ হায়বসিসু খঙলম্মী। মহাক্না কেথরিনবু ইলিজাবেথকী হেক মথংদা রসিয়াগী অথোয়বী লৈঙাকপী ওইহন্নবা থৌরাং য়াৎলম্মী, অদুগা মতম হেক চাবদা মদু থবক ওইনা পাংথোক্লুবা য়াম্না চেকশিন্না ঙাইদুনা লৈরম্মী।

অমরোমদা ইলিজাবেথনদি পিটর অমদি কেথরিন অনিমক তাহোক্লগা মখোয় অনিগী মহুতা কেথরিনগী মচানুপা পাউলদা লৈঙাক চুপ্লিসি শিন্নগে হায়না খল্লম্মী। অদুবু মতমদুমক্তি পাউলদি য়াম্না অঙাং ওইরি। মহাক মশাগী চহি তরুক শুবদা ঙাইরম্মী, অদুনা ইলিজাবেথনা রোমানোভ শাগৈগী তুংদা ওইরক্কদবা খুদোংথিবদু থোকহনবা পামখিদে। মহাক্না মসিমসু খঙলম্মী, চহি তরুক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমবু ঙাকপি শেনবীদনা রসিয়াগী লৈঙাক্লোই অমা ওইনা থন্বীবা হায়বসি ফম্নাইবশিং মরক্তা অমগা অমগা পৱার মুন্নরক্তুনা লৈবাকমরা চেৎপা ওইরক্লোই। অদুনা মদুগী ৱাফমদু লৈবনা মহাক্কী মতুংদা কনানা রসিয়াগী লৈঙাক্লোই ওইগদগে হায়বগী ৱাফমসি লৈখায় তাদনা অদুম লৈরম্মী। *(মখা মথং মথং)*

# মখোংনা মমং থিরবা

**লমবাম তোমচা সিংহ**

ঙসিগী মালেম অসিদা হিংলিবা জিব খুদিংমকসি করিগুম্বা চৎন-পথাপ অমগী মখাদা হিংনরিবা ঙাক্তনি। তৌইগুম্বসুং হিংলিবা মহিংদি খেন্নে, মান্নদে। লাইনিং-লাইশোলদা খেন্নবা মতুংইন্না লোলচৎসু অদুমক খেন্ননা হিংমিন্নে। অদুবু ধর্ম্ম হায়বসিগী ৱাহোক থিজিল্লুরবদি অমত্তনি। অচুম্বা চৎপা ঈশ্বরবু নুংশিনা নিংজবা মাগী য়াথং ঙাক্না চৎপা অদুনি। কনাগুম্বা মীওই অমনা ধর্ম্মগী ৱাংমদা চৎলুরবদি, এ! মহাক ধর্ম্ম লৈতেদা, নত্ত-ওইদবা ধর্ম্ম শিজিন্নৈদা, মীনুংশি লৈতেদকো হেক্তা শোন্নে। জঙ্গলদা লৈবা শা খুদিংমক ধর্ম্ম অমগী মখা পোন্না মচা পোকই। মচাবু চাউনবা য়োকখৎলি। মখোয় অসি শাহিং চাবা জিবশিংগী কাংলুপ্তা চিংজরবসু মচা নুংশিবদি খঙই। অফং-অফংবা জিবশিং ফারগা চাবগী হৈনবী অমদি লৈতবা নত্তে।

ভক্ত প্রহলাদনা অঙাং ওইদুনা উমংদা চৎতুনা লাইনিংদুনা লৈরিবদু অন্তরজামি শ্রী কৃষ্ণনা উবীরম্মী। মহাক্না মমিৎ উইশিন্দুনা ধ্যান তৌরিঙৈদা উমংদগী চাউরবা কৈ অমা লাক্তুনা মহাকপু (প্রহলাদ) শরাক তমগদৌবগী থৌরাং তৌরিবদু ইমা ইবেম্মা লক্সমী দেবীনা উরদুনা মহাদেবী পারবতিগী মফমদা চৎতুনা ৱাকৎচৈ। কৈনা শাদোং ওইরিবী ইমা পারবতিনা মহাদেবদা অমুক ৱাকৎলবদা, হে প্রিয়ে ভক্ত প্রহলাদ পীক্লিবা অঙাং অদু ঐগী ইবুংঙো শ্রীহরিগী মনাই ভক্তনি, কল্লুদবা য়াদে। খুদক্তা মবুংঙো য়াথং ফংলবদা পারবতিদু প্রহলাদগী মনাক য়ৌরক্তুনা শাশিংগী নিংথৌ নোংশা অমগা লম্বা তৌনহল্লি। অদুবু কৈ অদু নিংথৌ লেংলকপা উবদা চৎখি মফম অদু থাদোক্তুনা। মসি চাউরবা ধর্ম্ম অমনি।

হোষ্টিনাপুরগী নিংথৌ ওইহৌরবা পরিক্ষিৎ নিংথৌনা শাদানবা লেঙলকপদা জঙ্গল মনুংদা কলি হায়বা লাইদু থেংনবদা পরিক্ষিৎ নিংথৌনা তেন্না কাপ্নবা তেন্দম্লকপদা কলিগী লাইদুনা নিংথৌ অমগী মফমদা চৎকদবা ব্যাবহার অদু তৌদুনা, হে হোষ্টিনাগী নিংথৌ পাঙ্গলবা, সৈত্য, ত্রেতা, দ্বাপুর যুগ অহুম লোয়খ্রে, কলি ঐগী মতম ওইরদুনা থোরকপনি অদুবু নহাক হোষ্টিনাগী নিংথৌ অমা ওইনা ব্যাবহার তৌজরি। মদু তাবদা পরিক্ষিৎ তেন্দম্লম্বদু হন্দোকখি। কলি হায়বা লাইদু খুদক্তা মাঙখিদুনা পরিক্ষিৎকী মকোক্তা তোংলদুনা লৈখি। পরিক্ষিৎ অদু চৎনা চৎনা অশাউবা, মীনুংশি লৈতবা অউ-অউবা তেন্না কাপ্তুনা হাৎনিংবগী ৱাখল অমা ফাওরকখি। মমৈথংদা মহাক ঈশিং খৌরাংবা পোক্লক্তুনা ঈশিং থিরকখি। জঙ্গল অদুদা ঈশিং লৈফম থিরকপদা মুনি লাইনিংবা অমগী আশ্রাম অমা থেংনখি। মমিৎ উইশিন্দুনা লৈরিবা মুনি অদুদা হংখি- ঈশিং কদায়দা লৈ, ঐ নিংথৌনি, ঈশিং খৌরাংবনা থৱায়গা হকচাংগা কায়নদৌরে। ধ্যান্দা লুপ্তুনা লৈরিবা মুনি অদু তাদে, নিংথৌ অদু শাওরম্মী। কলি হায়বা লাইদুনা মহাক্কী মমিৎতা মনাকমক্তদা লিন অশিবা অমা উহল্লে। মদু পরিক্ষিৎনা তেনজৈনা কোৎলগা মুনি অদুগী ঙকশমদা শিরম্লগা চৎখি।

মুনি অদুগী মচানুপা মুনিকুমার অদুনা মপাবুংগী ঙকশমদা লিল অশিবা অমা শীরল্লিবা নুপা নঙ নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা লিল অসিনা হিংগৎলগা চিক্তুনা শিবা ওইয়ু, আভিশাপ তৌরকখি। মুনিকুমার অদুনা মপাবুংদা থৌদোক্তুগী মরমদা হঙ্গৎচরকখি। মদু তাবদা মুনি অদুনা ধ্যান তৌদুনা য়েংবদা হোষ্টিনাগী নিংথৌ পরিক্ষিৎনা পাঙথোক্লম্বনি খঙলদুনা পন্থবা তৌদনা কোনুংদা লাক্লম্মী। মঙকশমদা লিল অশিবা অমা শিবিরম্বা মুনি অদুমক্না লেংলকপদা পরিক্ষিৎ ঙকপনা খম থেংলম্মী। মুনিগী মফমদা খুকউ খুদক কুল্লগা, মুনিনা লেংবিরকপগী মরম তাকপীয়ু। মুনি অদুগী মচানুপা মুনিকুমার অদুনা তৌখিবা আভিশাপ অদুগী মরমদা হায়রক্লবদা, মুনিগী চরনদা চংজরদুনা, হে মুনি দেব থবক অদু ঐহাক্না তৌখ্রে। মুনিদা লংশিনখিবা পাপ অমদি মুনিকুমারগী আভিশাপ অদু করম্না কোক্কদগে তাকপীয়ু। মুনি অদুনা ঙাইহাক খল্লুরগা উম, উপাই অমা লৈরে, নুমিৎ তরেৎনি শুবা নুমিৎতা অশিবা লিল অদুনা হিংগৎলক্তুনা নহাকপু চিক্তুনা শোয়দনা শিরগনি। অদুবু শ্রী মদভগবত গীতা নুমিৎ তরেৎনি চুপ্না তারো। শ্রী হরি মহাক্না নহাকপু শোয়দনা কনবীগনি।

মতম অসিগীদি হিংনবা উপাই হায়ববু ধর্ম্ম লৈবা শেন্বীবা মপু মানা তাকপীরম্বা জিববু হিংশা তৌদবা হায়বা য়াথং অসি ইন্দুনা অশাউবা কয়া, অপাম্বা কয়া, কল্লকপা কয়া থাদোক্তুনা 'ক' না হৌবা কোহোংদগী হেন্দোক্তনা লৈবা অসিতনা কলিদা পোক্লুরবা ঐখোয়গী উপাই ওইগনি। সৈত্য, ত্রেতা, দ্বাপুর যুগ অহুমদদি শ্রীভগবান্না মনাই ভক্তশিংগী ৱাকৎ তাবীদুনা হিংচাবশিং হাৎতোক্তুনা মুনিশিংবু অকিবদগী কনবীরম্মী।

কলি হায়বা যুগ অসিদদি শ্রীভগবানসু নুংগী মুর্ত্তি ওইনা লেপ্তুনা লৈ। অদুগা ধর্ম্মগী মউ লিংখৎতুনা হরিনাম শোন্দুনা ভক্তশিংগী থম্মোয়দা লেংদনা লৈ। মরম অসিনা ভক্তনা চন্দল শেমদুনা নুংশিবনা নিমন্ত্রন ওইদুনা লেংবিরক্কবা বার্ত্তন তৌরগা ইনাক্তা শ্রীহরি লেংদনা লৈনবা হোৎনবা নত্তনা উপাই অমা লৈত্রে। মী হাৎলুরবা, নুপী অঙাংশিংদা নুংশি হৈত্রবা মীৎয়েং থমদুনা অরানবা থবক চংখরিবা মখোয়গী মথক্তা অঙম্বা অমা লাক্তুনা মখোয়গী নাপল থুদেক্লবা হায়বসি শোয়দ্রবনি।

ধর্ম্ম হায়বসিনা শেম্বীবা মপুদুনি। অধর্ম্ম হায়বসিনা ঈশ্বরদা নমথাক তৌদুনা হিংমিন্নরিবশিংদা অৱাবা পীবদুনি। মতম অমগী ৱারীনি- উপেন্দ্রো কৌবা নুপা অমা খুঙ্গং অমগী মতাই ওইরপ্পা লৈরম্মী। মহাক্কী লোয়নবী থাবল্লে কৌবী মশক মতৌ ফজরবী অমগা য়ুম্বানমিন্নরম্মী। উপেন্দ্রোগী য়াম্না চান্নজবা মরুপ ধ্রমেন্দ্র কৌবা নুপা অমা নোংমগী নুমিৎ অমদা মহাক্কী য়ুমদা লাক্লম্মী। উপেন্দ্রোনা মহাক্কী মরুপ ধ্রমেন্দ লাকপা উবদা হরাও- তয়াম্না কৌশিন্দুনা, নুংশিরবা মরুপ ধ্রমেন্দ্র লাকউনে, মরুপকী য়ুমদা লাকপবু করিগী অদুক কোইহিরিবনো। অসুম্না ধ্রমেন্দ্রদু উপেন্দ্রোনা মাগী কাদা পুশিন্দুনা চংলকপদা থাবল্লেসু কা অদুদা ফমদুনা লৈরম্মী। তামো লেংশিনবিরকউ। থাবল্লেগী মেংনা থোৎলবা খোইথুম্নরবা খোঞ্জেল অদু তাবদা ধ্রমেন্দ্র অপাম-নুংশিনা থুমহৎখিরম্মী। চান্নজরবা মরুপ অমগী নুপীনি খনখিদ্রে। উপেন্দ্রোনা মাগী লোয়নবী থাবল্লেদা চা শেম্লকউ, পাখোন শিরদুনা থাবল্লে চা শেম্নবা চাকশংদা চংখ্রে। থাবল্লেনা চা পুরক্তুনা চা থকমিন্নরে। তৌইগুম্বসুং ধ্রমেন্দ্রগী থম্মোয়দদি থাবল্লেগী ফজরবা শক্তম অদু তশেংনা থম্মোয়দা মমি তাখিদুনা মমিৎথ অদু ফল্লপ -ফল্লপ থাবল্লেদা য়েংখি। থাবল্লেদি ইচম চম্বী মমিৎ ঙাওদবী মপুরোইববু মাগী দেবতামক্কি খনবিনি। অসুম্না হরাওনা চা থকমিন্নরগা উপেন্দ্রোনা ধ্রমেন্দ্রবু থিন্দোক্লুই। *(মথং মথং)*